# বার্সেলোনানা পিএসজিবু থাজদবা মওংদা থোইদুনা চেম্পিয়ন্স লীগকী ক্বার্টর ফাইনেল চঙখ্রে, দোর্টমুন্দসু মায় পাক্তুনা ক্বার্টর য়ৌখ্রে


পি এস জিবু অনীশুবা লেগকী মেটচতা পাঞ্জল ৬–১ দা থোইদুনা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌখ্রবা বার্সেলোনাগী হরাওরিবা সহরশিং

*বার্সেলোনা, মার্চ ৯ঃ*

য়ুরোপকী খ্বাইদগী থাক ৱাংবা ফুটবোল ক্লবশিংগী টুর্নামেন্ট ওইরিবা চেম্পিয়ন্স লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙরাং স্পেগী সহর বার্সেলোনাদা শান্নখিবা প্রি ক্বার্টর ফাইনেলগী অনীশুবা লেগকী মেটচ অমদা য়ুম্বু ওইখিবা বার্সেলোনানা ফ্রান্সকী ক্লব পেরিস সেন্ট জরমেনবু য়াম্না থাজদবা মওংদা পাঞ্জল ৬–১ দা মায়থিবা পীদুনা মমাংগী লেগতা শোৎখিবা পাঞ্জল ৪ ফুগৎতুনা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে। জর্মনিগী সহর দোর্টমুন্দদা শান্নখিবা লীগ অসিমক্কী অনীশুবা লেগকী মেটচ অমদা য়ুম্বু ওইখিবা বোরুসিয়া দোর্টমুন্না পোর্টুগালগী ক্লব বেনফিকা পাঞ্জল ৪–০ দা মায়থিবা পীদুনা টিম অসিসু ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে।

বার্সেলোনাগী ফুটবোল ক্লবকী হোম গ্রাউন্দ ওইরিবা কেম্প নৌ ফুটবোল ষ্টেদিয়মদা ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা চেম্পিয়ন্স লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী অনীশুবা লেগ অদুদা য়ুম্বু বার্সেলোনানা মায়োক্নবা টিম ওইরিবা ফ্রান্সকী পেরিস সেন্ট জর্মেনবু পাঞ্জল ৫ হেন্দুনা থোইরগা ক্বার্টর ফাইনেলগী আশা লৈখিদবনি।

নিংশিংবা য়াই টিম অনী অদুনা হৌখিবা থাগী ১৪ দা পেরিসতা শান্নখিবা অহানবা লেগকী মেটচতা মফম অদুগী ক্লব পেরিস সেন্ট জর্মেন্টনা য়াম্না হেনবা মওংদা পাঞ্জল ৪–০ দা থোইখিবনি। মদুনা মরম ওইরগা ঙরাংগী মেটচ অদুদা বার্সেলোনা টুর্নামেন্ট অসিগী ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌনবগীদমক্তা মেটচ অদু পাঞ্জল ৫ হেল্লগা মায় পাক্তবা য়াদবগী তঙাইফদবা লৈখি।

ইন্টরনেসনেল ফুটবোল মেটচ অমদা পাঞ্জল ৫ হেন্দুনা মায় পাকপা অসি য়াম্না তোইনা থেংনদবা রেকোর্দনি । ঙরাংগী মেটচ অদুদা বার্সেলোনাগী মাইকৈদগী শান্নবগী অহৌবা মিনট ৩ শুবদা টিম অদুগী লুই স্বারেজনা পাঞ্জল ১ চন্দুনা পি এস জি বু মাংজিল থাখি।

মেটচ অদুগী ৪০ শুবা মিনটতা পি এস জি গী দিফেন্দর কুরজৱানা চনশিঞ্জখিবা পাঞ্জলনা বার্সেলাগী অনীশুবা পাঞ্জল ওইখি। মেটচ অদুগী অহানবা হাল্ফ লোইশিল্লবা মতুং শান্নবগী ৫০ শুবা মিনটতা বার্সেলোনাগী ষ্ট্রাইকর মেসিনা পেনালটি অমদা চনখিবা পাঞ্জলনা পি এস জি বু পাঞ্জল ৩–০ দা মাংজিল থাদুনা চৎখি।

মেটচ অদুগী ৬২ শুবা মিনটতা পেরিস সেন্ট জর্মেন্টকী মাইকৈদগী কাবানিনা পাঞ্জল অমা চন্দুনা শোৎখিবা পাঞ্জল অহুমগী মনুংদা অমা হন্দোকপা ঙমখি।

মেটচকী ৮৮ শুবা মিনটতা বার্সেলোনাগী মাইকৈদগী ব্রজিল মচা নেমারনা পাঞ্জল অমা চন্দুনা পি এস জি বু পাঞ্জল ৪–১ দা মাংজিল থাখি।

মেটচ অদুগী ইনজুরি টাইমগী অহৌবা মিনটতা নেমারনা মখা তাবা পাঞ্জল অমা চল্লগা পি এস জি বু পাঞ্জল ৪–১ দা মাংজিল থাখি।

বার্সেলোনাগী নেমারনা শান্নবগী ৮৮ শুবা মিনটতা পাঞ্জল অমা চনশিল্লবা মতুং মশামক্লা ইনজুরি টাইমগী অহৌবা মিনটতা পাঞ্জল অমগা হাপচিন্দুনা পাঞ্জল ৫–১ দা লৈখি। ইনজুরি টাইমগী ৫শুবা মিনটতা বার্সেলোনাগী সগির রোবার্টতোনা পাঞ্জল অমগা হাপচিন্দুনা পি এস জি বু বার্সেলোনা পাঞ্জল ৬–১ দা থোইদুনা মমাংদা শোৎখিবা পাঞ্জল মরি অদু ফুগৎপা ঙমখিবগা লোয়ননা অহেনবা পাঞ্জল অমা লৈখিবদগী এগ্রিগেটতা পাঞ্জল ৬–৫ দা থোইদুনা বার্সেলোনা ফুটবোল ক্লব ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌখিবনি।

ঙরাং শান্নখিবা অতোপ্পা মেটচ অমদা জর্মনিগী ক্লব বোরুসিয়া দোটমুন্না পোর্টুগালগী ক্লব বেনফিকাবু পাঞ্জল ৪–০ দা থোইদুনা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

দোর্টমুনগী মাইকৈদগী ওবামেয়াংনা হেটত্রিক ফঙদুনা বেনফিকাবু লৈখা তাহনখিবনি।

পনবা য়াই টিম অনীনা মমাং থাগী ১৪ দা শান্নখিবা চেম্পিয়ন্স লীগগী নোক আউতকী অহানবা লেগতা বেনফিকানা দোর্টমুনবু পাঞ্জল ১–০ দা থোইখিবনি।

বেনফিকা অমসুং দোর্টমুন্না মমাং থাগী ১৪ দা শান্নখিবা অহানবা লেগকী মেটচ অদুদা বেনফিকানা পাঞ্জল ১–০ দা থোইখিবনি।

ঙরাং শান্নখিবা লীগ অদুগী অনীশুবা লীগকী মেটচ অদুদা জর্মনিগী বোরুসিয়া দোর্টমুনগী মাইকৈদগী ওবামেয়েংনা শান্নবগী ৪ শুবা, ৬১ শুবা অমদি ৮৫ শুবা মিনটতা চনখিবা পাঞ্জল অহুম অমদি টিম অদুমক্কী পোলিস্টিকনা ৫৯ দা চনখিবা পাঞ্জল অদু থারগা পুন্না টিম অদুনা পাঞ্জল ৪ চন্দুনা বেনফিকাবু মায়থিবা পীখিবনি।

পনবা য়াবদি ক্লব অনীনা মমাং থাগী মরিদা শান্নখিবা চেম্পিয়ন্স লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী অহানবা লেগকী মেটচতা পোর্টুগালগী বেনফিকানা পাঞ্জল ১–০ দা মায়থিবা পীখিবনি।

মদুনা মরম ওইরগা রোরুসিয়া দোর্টমুন্না ঙরাংগী মেটচ অদু মায় পাকপগা লোয়ননা পাঞ্জল মশিং অনী হেনদবা য়াদবগী তঙাইফদবা লৈখিবনি। অদুবু দোর্টমুন্দগী মাইকৈদগী ওবামেয়াংনা হেটত্রিক ফঙখিবা অদুনা চাওনা মতেং পাংদুনা দোর্টমুনগী টিম চখরিবা চেম্পিয়ন্স লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসিগী ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখিবনি।

# ইন্দিয়াগী প্রনোই অনীশুবা রাউন্দদা লৈহৌরে, সাইনা নেহৱাল অমসুং পি ভি সিন্ধু নুপীগী ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে


ওল ইংলেন্দ বিদমিন্টন চেম্পিয়নসিপকী নুপাগী সিঙ্গলসতা সেমি ফাইনেল য়ৌবা ঙমখিদ্রবা অজয় জয়ারাম

*বিরমিঙ্গাম, মার্চ ৯ঃ*

ইংলেন্দগী লন্দনদা লৈবা বিরমিঙ্গামদা শান্নরিবা ওল ইংলেন্দ বেদমিন্টন চেম্পিয়নসিপ নুপাগী সিঙ্গলস কাংলুপ্তা অমত্তা ঙাইরবা ইন্দিয়াগী শান্নরোই ঐচ এস প্রনোই অনীশুবদা লৈহৌরে। টুর্নামেন্ট অসিমক্কী নুপীগী সিঙ্গলসতা ইনিদয়াগী সাইনা নেহৱাল অমসুং পি ভি সিন্ধু অনীশুবা রাউন্দ মায় পাক্তুনা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী সিঙ্গলসকী অনীশুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা ইন্দিয়াগী ঐচ এস পরনোইনা চাহনাগী টুর্নামেন্ট অসিগী ৭ শুবা সিদেট শান্নরোই ওইরিবা টিয়ান হোৱেগা লম্বা তৌন্নরকপদা গেম ২–০ দা মায়থিহৌখি।

প্রনোইনা টিয়ানগা লম্বা তৌনখিবা ওল ইংলেন্দ বেদমিন্টন চেম্পিয়নসিপকী নুপাগী সিঙ্গলসতা অহানবা গেম অদুদা য়াম্না কন্না হোৎনদুনা শান্নখিবা অদু চাইনাগী শান্নরোই অদুগী মশান্নদা পাউখুম পীবা ঙমখিদবা মরম্না ১৩–২১ দা অনীশুবা রাউন্দগী অহানবা রাউন্দ অদু মায়থিখি।

অনীশুবা গেমদা প্রনোইগী মাইকৈদগী অহেনবা মওংদা শান্নরকদ্রা হায়বদু খন্নরম্বা অদুগী ওন–তৈনবদা চাইনাগী তিয়ান হোৱৈনা হেন্না প্রেসর পীশিন্দুনা ২১–৫ তা অনীশুবা গেম থোইদুনা ইন্দিয়াগী প্রনোই মখাতাবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখিদ্রে।

চখরিবা ওল ইংলেন্দ বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট অসিগী নুপীগী ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা মমাংদা ৱার্ল্ড নম্বর ৱান ফাওবা ওইবা ঙল্লবী ইনিদয়াগী সাইনা নেহৱালনা জর্মনিগী শান্নরোই ফবিয়ানি দিপ্রেসগা লম্বা তৌনবদা অহানবা গেম অদু প্রেসর খর লৈখ্রবসু ২১–১৮ দা সাইনা নেহৱালনা থোইখি।

নিংশিংবা য়াই টুর্নামেন্ট অসিদা সাইনা নেহৱাল ৮ শুবা সিদেদ ওইনা শরুক য়ারকপনি। মহাক্না জর্মনিগী ফিবিয়ানি দিপ্রেসকা শান্নখিবা অনীশুবা গেম অদুদা ঙল্লিঁৱৈদগী অহেনবা প্রেসর পীশিন্দুনা ২১–১০ দা মায় পাক্তুনা সাইনা নেহৱাল ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপীগী সিঙ্গলসকী ৬ শুবা সিদেদ শান্নরোই ওইরিবী ইন্দিয়াগী পি ভি সিন্ধুনা ইন্দোনেসিয়াগী শান্নরোই দিনার দিয়া ওয়ুষ্টিনগা লম্বা তৌনখিবা নুপীগী সিঙ্গলসকী অনীশুবা রাউন্দগী অহানবা গেম অদু হৌরকপদা ইন্দোনেসিয়াগী ওয়ুষ্টিনগা লম্বা তৌনরিবা রিও ওলেম্পিকক্তা সিলভর মেডল ফঙখ্রবী ইন্দিয়াগী পি ভি সিন্ধুগা লম্বা পীবা ঙমখ্রবসু লোইশিল্লকপদা সিন্ধুনা ২১–১২ তা থোইদুনা গেম অমা মাংজিল থাখি। মেটচ অদুগী অনীশুবা গেম অদুদদি সিন্ধুগী শক্তিঃ লৈরবা সোট কয়া অদু পাউখুম পীবা ঙমখিদবদগী ২১–৪ দা সিন্ধুনা মায় পাক্লবা মতুং ক্বার্টর ফাইনেলগীদমক শেম শাখি।

টুর্নান্টে অসিগী নুপাগী দবলসতা ইন্দিয়াগী মাইকৈদগী শরুক য়াখিবা মনু অত্রি অমসুং বি সুমিট রেদি ঙরাং অহৌবা নুমিৎতা ইংলেন্দগী জুরা পিটর ব্রিগস অমসুং তোম ৱোলফেন্দেনগী মখুৎতা অকনবা লম্বা থেংনরবা মতুং গেম ২–১ দা মায়থিখি।

মদুগী মতুং অনীশুবা গেমদা ইন্দিয়াগী মনু অমসুং রেদিগী জুরানা ২১–১০ দা মায়থিবা পীদুনা অরোইবা অমদি দিসাইদিং গেম অমদা ইংলেন্দগী জুরা অদুনা ইনিদয়াগী জুরা অদুবু ২১–১৮ দা থোইদুনা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

চখরিবা ওল ইংলেন্দ বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট অসিগী নুপীগী দবলসতা শরুক য়াখিবা ইন্দিয়াগী মেঘানা য়ক্রপুদি অমসুং পুর্বিসা কন্না হোৎনদুনা টুর্নামেন্ট অসিগী মেন দ্রো য়ৌন্নবগীদমক শেম শাখি।

# ইন্দিয়াগী য়ুকি ভাম্ব্রি ঝুহাই চেলেঞ্জরগী ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌখ্রে

*ন্যু দিল্লি, মার্চ ৯ঃ*

চাইনাগী সহর ঝুহাইদা পাংথোকপা য়ু এস দোল্লর ৫০০,০০০ গী শেলগী মনা লৈবা ঝুহাই এটিপি চেলেঞ্জর টেন্নিস টুর্নামেন্টতা ইন্দিয়াগী য়ুকি ভাম্ব্রি ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌখ্রে।

ইন্দিয়াগী য়ুকি ভাম্ব্রিনা সর্বেয়াগী ব্লাসকাপসিকপু ৬–১,৬–৪ দা অনীশুবা রাউন্দ মেটচ অদু মায় পাক্তুনা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখিবনি।

ৱার্ল্ড নম্বর ৩৪১ দা লৈরিবা ভাম্ব্রিনা ৱার্ল্ড নম্বর ১৯০ দা লৈরিবা অর্জেন্টিনাগী শান্নরোই ওগষ্টিন ভেলোটিগা সেমি ফাইনেল য়ৌনবগীদমক লম্বা তৌনরগনি।

মেটচ অদু লোইরবা মতুং ভাম্ব্রিনা ফোংদোকখিবদা মহাক্না মহাক্কী ময়োক্নবা শান্নরোই অদুগী সর্ভিস গেম ৫ রক ব্রেক তৌবা ঙমখি। অদুগা মখা তাবা রাউন্দশিংদা ফজবা পার্ফোমেন্স উৎতুনা মহাক্কী ৱার্ল্ড রেঙ্কিং অদু হায়গৎনবা হোৎনগনি হায়খি।

ভাম্ব্রিনা টুর্নামেন্ট অসিমক্কী দবলসকী কাংলুপ্তা চহি অসিগী চেন্নাই ওপনগী দবলসকী টাইটল লৌমিন্নখিবা জিবান নেদুনসেজিয়ানগা জুরা ওইদুনা শান্নরকপা অহানবা রাউন্দদা মায়থিহৌখি।



# চহি ১৭ মখাগী ৱার্ল্ড কপনা ইন্দিয়াবু মালেমগী ফুটবোল মেপ্তা মশক তাকহল্লগনি হায়না লুই ফিগো অমসুং রায়ন গিগসনা ফোংদোকখ্রে



*ন্যু দিল্লি, মার্চ ৯ঃ*

মালেমগী ফুটবোলদা মমিং লৈরবা পোর্টুগালগী লুই ফিগো অমসুং ইংলেন্দগী রায়ন গিগসনা ফোংদোকখিবদা ইন্দিয়ানা য়ুম্বু ওইরগা পাংথোক্কদৌরিবা চহি ১৭ মখাগী ফিফা ৱার্ল্ড কপ ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসিনা ইন্দিয়াবু মালেমগী ফুটবোল মেপ্তা মশক তাকপা ঙল্লগনি হায়রি।

ইংলেন্দগী মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদ ফুটবোল ক্লবকী শান্নরোই গিগসনা ফোংদোকখিবদা ৱার্ল্ড কপ য়ুম্বু ওইবা অসিনা লৈবাক অসিবু মপুং ওইনা মালেমগী ফুটবোলগী মেপ্তা মশক তাক্লগনি হায়রি। নাকল অমরোমদা পোর্টুগালগী মমিং লৈরবা লুই ফিগোনা ইন্দিয়াদা অনীশুবা প্রেমিয়র ফুটসাল হৌদোকপগী থৌরমদা ফোংদোকখিবদা ইন্দিয়াগী ফুটবোল অসি ফিফা ৱার্ল্ড কপ য়ুম্বু ওইবা অসিনা অচৌবা য়ুম্ফম ওইরগা মালেমগী থাক্তা লৈবাক অসিগী ফুটবোল শান্নরোইশিং মমিৎ মনা শিংহনবগী অচৌবা খোংথাং অমা ওইগনি হায়রি। পনবা য়াই ইনিদয়াগী তোঙান তোঙান্বা ফুটবোল শান্নফম ৫ দা চহি অসিগী ওক্টোবর থাদা ফিফা য়ু–১৭ ৱার্ল্ড কপ পাংথোক্কদৌরিবনি।







Printed and Published by Waikhom Meghachandra Singh on behalf of Nongpok Publishers Pvt.Ltd from Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Editor: **H. Achouba Sharma**, Jt. Editor: N. Krishnamohon Singh RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, *e-mail : sanaleibakdaily@yahoo.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com*